**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-10-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ২৭-১০-২০২৫, নিংথৌকাবা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৬ ফারে।

২) নংগী মীৎপু নুংশিয়ু হায়বা হীরমদা মালেমগী ২৬ শুবা মীৎকী নুমিৎ মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) ইন্দিয়ন মেট বিভাগনা হায়রি-বঙ্কোপ সাগরদগী হৌরকপা নোংলৈ নুংশিৎ মোন্থাগী ফিভম কনশিল্লক্লি। মফম কয়াদা নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

**------**

**পুলিস (এল) ঃ** মণিপুরদা হৌখিবা মতম অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্ষাগী ফিভম ফগৎলক্লি। অদুম ওইনমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক অমসুং এরিয়া দোমিনেসগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। অককবা

পাউগী মতুং ইন্না, মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং হিংশাগী থৌওংশিং চথুবা মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিসকী চেৎোল অমনা হায়-ঙরাং ককচিং জিলাগী হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনং চনবা হিয়াংলম তেরা পিশক সেকমাইজিংদগী কে.সি.পি(এন.এফ.এল)গী হকচিনবা মীওই অনি ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাংগোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থোংখোঙ লক্সমি বজারদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক্কী হকচিনবা মীওই অনি ফাখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং এরিয়াদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী নুপী কাদর অমা ফাখি। মঙোন্দগী লুপ অসিগী দিমান্দ লেতর ৫৯, লুপ অসিগী প্রোজেক্ট সেক্রেটরিগী সিল অনি, স্তাম্প পেদ অনি অমদি চে চাং কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট টু খাঙারোক্তগী আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী মীওই অমসু ফাখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী বাসিখোঙ বজারদা লৈবা মোবাইল তৱার অমদগী বেট্টরি হুরানখিবগা মরী লৈননা থিগৎপগী থবক চথুবদা জিলা অসিগী কোংবা বজারদগী মীওই অমা ফারে।

**সাইট ডে (এল)ঃ** নংগী মীৎপু নুংশিয়ু হায়বা হীরমদা মালেমগী মীৎকী নুমিৎ নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ত্রোল ওফ ব্লাইননেস এন্দ ভিজ্য়্এল ইম্পেয়রমেন্ট, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেসনা শিন্দুনা ২৬ শুবা ৱাল্ড সাইট ডে চান্দেল জিলাগী দিষ্টিক্ট হোস্পিতালদা ঙসি পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অদুদা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.এন.হেমন্ত কুমার সিংহ, হেলথ সর্ভিসেসকী জোইন্ট দাইরেক্তর ডা.ৱাই.প্রেমচন্দ্র সিংহ, চান্দেল জিলাগী সি.এম.ও ডা.জয়সন মেথিয়ু মোন্সাং শরুক য়াগনি। থৌরম অদু নেসনেল

প্রোগ্রাম ফোর কন্ত্রোল ওফ ব্লাইননেস এন্দ ভিজ্যএল ইম্পিয়রমেন্ট অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেস পুন্না শিনবনি।

**চাক্কৌবা(এল)ঃ** খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র তেংবাং লুপনা শিন্দুনা শজিৰা জেল অমসুং শওন্থুংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা নিংঙোলশিং চাক কৌবগী থৌরম অমা ঙরাং শওন্থুং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। পুন্না নিংঙোল ৮০০ লোমদা হান্নগী ইচমগী প্রসিদেন্ট এন.রাজেন্দ্রোনা খুদোলপোৎশিং খূৎশিন্নখি।

**এক্স(এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইতিনা শিন্দুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্নুনা ঐচ.আই.ভি অমদি এস.টি.আইগী মরমদা মীয়াম্বু এব্ৱেরনেস পীবগী থৌরম অমা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা প্রভাবতি কোলেজতা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু, ইন্তেন্সিফাইদ আই.ঈ.সি কেম্পেইনগী মখাদা পাঙথোকপনি।

অমরোমদা, লাক্লিবা শগোলশেল নুমিত্তা দিমাপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল রেদ রন ২০২৫ দা মনিপুরগী ওইনা থৌনাওজম মারিয়া চনু শরুক য়াগনি।

**এনভাইরনমেন্ট(এল) ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিন্দুনা রাজ্য অসিদা ফংলিবা এলিয়ন স্পেসিসশিংগা ক্লাইমেট চেঞ্জকা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা অহুম্লক শুবা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোক্কনি। ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মেইন কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কগদবা থৌরম অদুদা, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর ওফ রিসর্চ প্রোফেসর টি শান্তিবলা, মনিপুর কোলেজগী বোতনিগী এসিসতেন্ট প্রোফেসর ডা.এম.হরিপ্রিয়া অমসুং আই.সি.এ.আর-এন.ঈ.ঐচ, মণিপুর

সেন্তরগী সেনিয়র সাইন্তিস ডা.অরাতি নিঙোম্বম শরুক য়াগনি।

**ৱেস্ট(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমদেংদা লৈবা ৱেস্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টতা কাঞ্চিপুরদা লৈবা এম.আই স্কুলগী মহৈরোই অমসুং ওজাশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদীগ খোমগৎলকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং রিসাইকল তৌনবগীদমক খূৎশিন্নখ্রে।

**কেন্সর (এল)ঃ** কেন্সর সরভাইভর ওফ মণিপুর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, এন.সি.দি সেল ইম্ফাল ইষ্ট, কার্কিনোস কেন্সর হোস্পিতালগা পুন্না খূৎশমদুনা শওম্বুং কম্যুনিতি হোলদা কেন্সর এৱ্যেরনেস কেম্প অমা ঙসি পাঙথোক্কনি।

**নুংশিৎঃ** ইন্দিয়ন মেট বিভাগনা হায়রি-বঙ্কোপ সাগরগী খা নোংপোক লোম অমসুং খা নোংচুপ লোমদা নোংলৈ নুংশিৎ মোন্থাগী ফিভম কনশিল্লক্লি। বিভাগ অসিনা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ অসি হয়েং অয়ুক ফাওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ ওইদুনা অৱাং নোংপোক্লোমদা চংশিল্লক্কনি । নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা তামিলনাদু, অন্দ্র প্রদেশ অমসুং উরিষাগী শমুদ্র খোঙবালদা লৈরিবা ঙামীশিংনা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবা শমুদ্রদা ঙা ফাবা চত্তনবা খঙহনখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ময়াই ওইরপ্তুগী কল্লপ নোং চুরবা য়াই হায়রি।

নোংলৈ নুংশিৎ ‘মোন্থা’না ঙসি অন্দ্র প্রদেশকী মফম কয়াদা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়রি। বঙ্কোপ সাগরদগী হৌরকপা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা রাজ্য অসিদা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবা অকনবা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুগনি। রাজ্য সরকারনা মীশি মীনা থোক্তনবা অমসুং লন থুম মাংদনবা থবক লৌখৎলে। রাজ্যগী হোম অমসুং দিজাস্তর মেনেজমেন্ট মন্ত্রি ভি.অনিতানা চেকশিল

থৌরাংশিং লৌখৎলিবা অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা অকুৎপা মফমদা লৈবা মীওইশিং থাংদোকবা খঙহনখ্রে। শমুদ্র খোঙবাল পরিংদা লৈবা ঙামীশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা থৌরাং পায়খৎলে । ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি স্কুলশিং ছুতি থাদোকখ্রে।

উরিষাদসু নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা চেকশিল থৌরাংশিং লৌখৎলে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-২১ শুবা চহী চা অসি ভারত অমসুং আসিয়ান লৈবাকশিংগী চহী চানি। মালেসিয়াগী কোলালাম্পুরদা পাঙথোক্লিবা আসিয়ান ইন্দিয়া মীফমদা ভর্চ্যুএল্লি ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং আসিয়ান লৈবাক্কী অপুনবা মীশিংনা মালেমগী মীশিংগী শরুক মরি থোকপগী শরুক অমা ওইরি। শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং আসিয়ান লৈবাকশিংগা লৈনরিবা মরী অসি শুপতগী লম খক্কী নত্তে। মসিদি মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঐতিহাসিক ওইরবা মরী অমনি। খুদোংথিবা থোরকপা মতমদা আসিয়ান লৈবাকশিংগীদমক ভারতনা মরা চেৎনা লেপ্তুনা লৈগনি। মহাকা হায়-মেরিতাইম সেক্যুরিতি অমসুং শমুদ্রদগী ফংবা রিসোর্চ হায়বদি ব্লু ইকোনোমিদা মতেং পীনবা য়ামমক তঙাইফদে।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনিতি দল অমনা অমবু হুন্নবগী থবক কনখৎলক্লি। মথং থাগী ৬ তা বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা অমসুং মথং থাগী ১১ দা বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা সরকার পায়রিবা এন.দি.এ অমসুং বিরোধিগী চুংশিন্নবা মহা গদবন্ধনগী স্তার কেম্পেনরশিংনা রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামগী মীতিং অমসুং রেল্লিনচিংবা পাঙথোক্তুনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-হৌজিক চথরিবা ছট পুজা অসিনা মরম ওইদুনা মীখলগী থবক থৌরমদা খরা থিন্থরবসু পুজা অসি হেক লোইবা মতুংদা মীখলগী থবক থৌরমশিং কনখৎলক্কনি হায়না পানরি। অমরোমদা, মীখল শান্তি লৈনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থবক থৌরমশিং পায়খৎলে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পোকফমদা-য়েলহৌমীশিংগী য়েংদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী তৌরক্লিবা ময়াম অসি কাউথোকপা চুস্লোই হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঙসি মণিপুরদা ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরে।

সনালৈবাক্তা- ফৌবাকচাউ ইখাইদা চংলুবদু বফর জোন লৈ-লৈতে খঙহনবনি, ইস্যু খন্ননবা মীহুৎশিং পুকচেল শেংনা থোকপীরকউ হায়না লোক সভাগী এম.পি.ডা.অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি-নহারোলগী থৌদাংদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মহৌশা লাইরেম্বীনা চীং, পাৎ, তুরেল অমত্তা ৱাৎতনবা পীবীরম্লবসু মতিক চাবা লুচিংবা লৈতবনা ঙসি মণিপুরদা চাউখৎপগী লম্বীদা মনিং হল্লকপনি হায়না কৈরাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ রামেস্বরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরদা অনৌবা পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা শেন্বা

শেমদবগী ৱাফম লৈখাই তাদ্রি, বি.জে.পিগী এম.এল.এ অমনা হায়ঃ অনৌবা লৈঙাক শেমগনি হায়বগী মতমদি কুমজা ২০২৭ গী ফেব্রুৱারি ফাওবা থাবা য়াই হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি। হিয়াংগৈগী নিনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবদা আই.দি.পি নিংঙোলশিংগী ৱাফম-ইচা অনিনা নিংঙোল চাক্কৌবা চৎনিংবা উবদা থমোই শোকই, মখোয়বু থেমজিল্লগা মাইথোংদা নুংঙাইতবা উহন্দনা লেল্লি হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন অনিমক্তা- রিজিদ পেবমেন্টঃ মওং চুমদ্রবদি শেল থাদরক্তবা য়াই, কন্সত্রক্সন সুপরভিজন কন্সলতেন্ট হাপ্তবগী এআইআইবিনা ৱার্নিং তৌরক্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- তোঙান তোঙানবা মফমদা আই.দি.পিশিং নিংঙোল চাক্কৌখিবগী পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- কুকিশিংনা দেল্লিদা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীয়ু হায়না রেল্লি চৎখিবগী পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতিদা লাক্কদৌরিবা তাং ২৯ দা মুইভা ওকপগী শেম শারি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোংদা ফোঙবা গানফিউ মেলদা- য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা নাগা ফুরুপকী মীওইশিং সেনাপতিদা লাক্কদৌরিবা এন.এস.সি.এন আই.এমগী জেনরেল সেক্রেটরি মুইভা ওকপদা শরুক য়াবীয়ু হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- হান্নগী চিফ মিনিষ্টর বিরেন সিংহনা আই.দি.পি লিশিং ২ মুক চাক্কৌখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**